ফ্লাইটতা মীওই ৭১০ পুরকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরগী মপান্দা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৭১০ রোম ঙসি ফ্লাইট তরেৎতা ইম্ফাল বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৯.২০ রোম তাবা মতমদা ইন্দিগো (৬ই ২৫১) অসিনা দিল্লি অমদি গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৪৮ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। অনীশুবা ফ্লাইট (এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৩) অসিনা অয়ুক্কী পুং ১০.৩২ তাবদা দিল্লি অমদি গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১২০ পুরকখি। অহুমশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো (৬ই ৪৫৭) অসিনা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১০ দা গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১০৯ ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখি।

মরিশুবা ফ্লাইট (ইন্দিগো ৬ই ৮৮৯) অসিনা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৪৫ তাবদা অগরতালাদা লৈরম্বা মীওই ৭০ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখি। মঙাশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো (৬ই/৬৩২৩) অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ১.০২ তাবদা কোলকাতাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১২৯ রোম ইম্ফালদা পুরকখ্রে। তরুকশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ই ২০১৯ অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ১.১০ রোম তাবদা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১০৪ ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখি। তরেৎশুবা ফ্লাইট এয়র ইন্দিয়া এ আই ৮৮৯ অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ২.১০ রোম তাবদা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৯২ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখি হায়রি।

ময়ুমদা চত্তুনা পেন্সন পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস) :

দিষ্ট্রিক্ট সোসল ৱেলফেয়র ওফিসর ককচিংগী এ কামেশ্বরনা ঙসি ৱাংঙু শন্দনখোংদা লৈবা ওল্ড এজ পেন্সনর সুবাদনিদা ময়ুমদা চত্তুনা খুৎশিন্নখ্রে। মণিপুর রুরেল বেঙ্ক ককচিং থৌমীশিংগা লোয়ননা শেল ওইনা পেন্সনগী শেনফম অদু খুৎশিন্নখিবনি হায়রি।

GAS NEWS

M/s K&K INDANE SERVICE
Booking upto : 03/09/2020
Valid from : 27/08/2020
Gas booking counter open at Tera bazar Office.
Time : 7.30 am to 11.00 am

MAHALAKSMI INDANE GAS
Booking upto : 05/08/2020
Valid from : 30/07/2020
Home delivery only,
Cont. Timing - 9 am to 11 am.
9862312969 # 8414929709,
For home delivery plz cont.
8414944010, 7005573790,
9366735870,
Booking : After 15 days from delivery.

HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 30/07/2020
BOOKING UPTO: 31/07/2020
BOOKING ONLY:
03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 8:00AM to 12:00PM
(HOME DELIVERY ONLY)

MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING : 7:00 AM TO 12:00 NOON
BOOKING UPTO : 10/08/2020
VALID FROM : 28/07/2020
FOR ALL THANGMEIBAND,
LAMPHEL 8131852580,
9774722106, 9089370369
WAHENGBAM LEIKAI,
KEISHAMPAT, KEISHAM-THONG, KHAGEMPALLI,
KWAKEITHEL, GHARI, SAN-GAIPROU, CHANGANGEI,
MALOM 7630902992
YAISKUL, SINGJAMEI,
KAKWA, HEIRANGOITHONG,
HAOBAM MARAK, PISHUM,
MONGSANGEI, LANGTHABAL
6009689299
SAGOLBAND, TAOBUNGK-HOK, PATSOI, YUREMBAM,
SAGOLTONGBA, LANGJING,
SALAM 7627968997
LANGOL 7085977502
URIPOK, SINGDA, LAMDENG,
AKHAM, MAYANG LANGJING
7085198900/8131942156
FOR IMPHAL EAST AREA
7005281388, 6009885600
FOR OTHERS AREA
9612009063, 9862792731,
7628094160
DELIVERY WITHIN 3 DAYS

MANIPUR GAS SERVICE
Booking upto : 29/08/2020
Valid from : 20/07/2020
Home Delivery Only....
Contact No: 8730954041,
8259969582
Office Timing: 7.30 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING DATE :25/06/2020
Time: 11.00am to 2.00pm
Booking and Any enquiry
Contact No. : 7629045883

প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে : এমসু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস) :

চহী অসিগী চীফ মিনিষ্টর মেদল ফোর গেলেন্ট্রি এৱার্দ ফংখিবশিংগী মনুংদা, এস আই, সী দি ও, ইম্ফাল ইষ্টকী ভৈসাময়ুম দেবসন হায়রিবা মীওই অসি হৌখিবা কুমজা ২০১৩ গী এপ্রিল ২৮দা লুপা ক্রোর ৩ গী মথক্কী দ্রগ পুরন্থগা মরী লৈনবা কেসতা চাওনা চেন্নবা মীওই অমনি হায়না চহী অসিগী ওগষ্ট ১৬ তা লৈবাক মীয়ামদা লাউথোকখি হায়বা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)গী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি হুনপাও লুফেংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়খি, নুমিত্তুমক্কী অথেংবদা জোইন সেক্রেটরি (হোম)না ওর্দর অমা থোক্তুনা বি দেবসনদগী মেদল অদু লৌথোকখিবগা লোয়নননা এস আই, সী দি ও, ইম্ফাল ইষ্ট ভৈসাময়ুম দেবসন অমসুং রিদর টু এস পি, ইম্ফাল ইষ্টকী ইন্সপেক্টর ঈ রোসন অনীবু খুদক্তা সস্পেন্দ তৌখি। দি জি পি (ইন্টলিজেন্স) কে রাধাশ্যাম্না লুচিংবা ইনক্বাইরি কম্মিটি অমা শেম্লে হায়খি।

দি জি পি মণিপুর এল এম খৌটেনা খুয়েক পীবা ওর্দর অমা থোক্তুনা, মীওই অহুম্না শাবা ইনক্বাইরি কম্মিটি অমা শেম্লে। অদুগা মসিগী রিপোর্ট অসি চয়োল অমা ফাওবগী মনুংদা পীখৎলকদবনি হায়না ময়েক শেংনা পল্লি হায়না পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

চেরোল অদুনা হায়, ওগষ্ট ১৭ তা থৌদোকশিংগী অশোয়বশিং অসিবু মরিক চুম্না থিগৎপিনবা হায় কোর্টকী রিটয়ার্দ জজতগী তাদবা মীওই অমনা লুচিংবা হায় লেভেল ইন্দিপেন্দেন্ট ইনক্বাইরি কম্মিটি অমা শেম্বীয়ু হায়না গভর্নর ওফ মণিপুরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি। মেমোরেন্দ অসিগী কোপি চীফ মিনিষ্টর অমসুং দি জি পি মণিপুরদসু থাখি।

ওগষ্ট ১৯দা এমসুনা অমুক্কসু হন্না হায় লেবেল ইনিদপেন্দেন্ট ইনক্বারি কম্মিটি অমা শোয়দনা শেম্বীয়ু হায়না তকশিনখি। দিমান্দশিং অসি ওন্থোকপিবগী মহুত্তা ওগষ্ট ২০ দা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনদগী প্রসিদেন্ট, জেনরেল সেক্রেটরি, এমসু হেদ ক্বার্টরদা পুলিসনা সোমোন ওইনা থারকখি। মখা তানা চয়োল ৩ হেল্লবনিনা সেপ্তেম্বর ৫ দা দি জি পিদা ইনক্বাইরি রিপোর্ট মীয়ামদা খঙহল্লু হায়না চে ইদুনা হায়জখি।

পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা থবক ওইনা পাঙথোক্কনি হায়বশিং, থোকখিবা ওর্দরশিং চৎনহনবা ঙমদবা হায়বসি লাইবক থীবনি। চিনগা খুৎকা মান্নদবা থৌওংশিং অসিনা মরম ওইরগা মীয়াম্না থাজবা য়াম্না হন্থরক্কনি। থা অমা মখায় হেল্লবা ঈশ্যু অসিগী পোজিটিভ ওইবা রেস্পোন্স, থবক অমত্তা ঙসিফাওবা উত্তবা অসিনা মরম ওইরগা ওক্টোবর ৩দা ইকাই খুম্নরবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরদা চপ চাবা থবক অথুবদা লৌখৎপিনবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে। মেমোরেন্দমগী কোপি অসি হোম মিনিষ্টরদসু থাখ্রে। লৈবাক অসিগী চাওখৎপা পুরকপা, অচুম্বা পুরকপা, ফত্তববু মাঙহন্নবা পুন্না লেপমিন্নবগী থৌদাং অমা ইরৈচা খুদিংমক্কা লৌমিন্নরসি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

পোজিটিভ ওইরম্বদগী ইন্টরিম বেল পীখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্কী আই পি এস/এম পি এস ওফিসর ১৫গী ত্রান্সফর অমসুং পোষ্টিংগী ওর্দরবু লান্না শেমদোক্লগা সোসল মীদিয়াদা অপলোদ তৌদুনা ভাইরেল ওইহনখিবগী মরালদা পুলিসনা ফাবদগী জুদিসল রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবা ৭শুবা আই আর বিগী রাইফলমেন একুাইজ অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বদগী কোর্টনা ইন্টরিম বেল পীখ্রে।

ঙসি চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম) ইম্ফাল ৱেষ্টনা ইন্টরিম বেল পীখ্রবা রাইফলমেন একুাইজ অদুগী মমিং খুরাইজম রোশনিকুমার (৩৪) (রাইফলমেন নম্বর- ০৫১০৬৯০৪) কৌই। সগোলবন্দ খম্নাম বজারদগী কে ঐচ নিংথেমগী মচানুপানি। হৌজিক্কা ইম্ফালগী অহানবা বট্টালিয়ন মণিপুর রাইফলসকী কমপ্লেক্সতা লৈবা পুলিসকী স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) দা কম্প্যুটর ওপরেটর ওইনা এটেচ তৌদুনা লৈবনি। মহাক্কী মথক্তা অন্দর সেক্রেটরি (দি পি)না রিপোর্ট তৌরকপদগী ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসন্না কেস এফ আই আর নম্বর- ১৭ (৯) ২০২০ অন্দর সেক্সন- ৪১৯/৪৬৮/৩৪ আই পি সী রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। অদুগা মহাকপু কেস অসিগা মরী লৈননা ফারগা পুলিস কষ্টদিদা থম্লকখিবনি।

অদুবু ঙসি পুলিস কষ্টদিগী মতম লোইরদুনা মহাকপু পুলিসনা জুদিসল রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা কোর্টতা পুথোরকখিবদা মহাক্কা পুলিসকী প্রেয়র অসিবু ওবজেক্সন তৌরদুনা বেল পীবীনবা হায়জরকখিবনি।

কোর্টনা মহাক্কী বেল প্রেয়র খন্নরকপদা প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদগী এ পি পি এম জমুনানা লেপ্পগা একুাইজগী মায়কৈদনা এদভোকেট এল মনাওবিনা লেপখি। অদুবু মহাক্কী রিমান্দ প্রেয়রদা মহাক্কী রেপিদ এন্টিজেন্ট টেষ্ট (আর এ টি)গী ৱরাং পীরকখিবা রিপোর্টতা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না পল্লকপদগী কোর্টনা মহাকপু শেল ওইনা লুপা লিশিং ৩০ অমসুং মসিগা মান্নবা সিউরিটি অমগদা মেদিকেল গ্রাউন্দদা ইন্টরিম বেল পীখি। মহাক্কী রিগ্যুলর বেলগী হিয়রিংনা থা অসিগী ২২ দা পাঙথোক্লবা লেপখি।

এম সী (প্রো)না ৱাফম কয়া থল্লক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ : নোর্থ এ ও সীদা লৈরিবা রাজ মেদিসিটিদগী মীয়াম্না থাপতোক্লা লৈবীয়ু হায়বা য়াওনা লোনা অথিংবা থমক্রবা কে সী পি-এম সী (প্রোগ্রেসিভ)না ৱাফম কয়া থল্লক্লি।

কেসীপি-এম সী (প্রোগ্রেসিভ)কী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি মহৈখোম্বা মৈতেগী চেরোল অমনা হায়, ৱাফম অসি থৌওই-ৱাওইদুনা ইন্দবা তারগদি মতুংদা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক খুদিংমক মশা-মশানা পুজগদবনি। চিংননিংঙাই ওইবা মীশি-মীনাগা মরী লৈননবা ৱাথোক-লান্থোক কয়াগী মতাংদা ৱাখল তামিন্ননবা রাজ মেদিসিটিগী মেনেজমেন্ট ওথোরিটিদা মমাংথক্তী খঙহনখিবা লৈখ্রে।

হোস্পিটাল ওথোরিটিনা ঙসি ফাওবা উৎলৈ-পালৈ তৌদনা পুলিস দিপার্টমেন্টতা পাউ পীশিনবা, খুনেক্কী য়াওল্লুপ শাবা সু/সরেন্দর খরদা ইনশিল্লগা ৱাঙাঙ কঞ্জাও হুনহল্লকপগী থৌওং চথ্দুনা লাক্লি হায়নসু মরাল শীরক্লি।

ঙসি ঙসিমকসু হোস্পিটাল অসিদা মরম চাদনা মীরোনবী অমা অঙাং উনরবা মতুং পুন্সি পীখম্নখ্রে। মীশি অসিগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা ইমুং-মনুংগী মীয়াম্না রাজ মেদিসিটি হোস্পিটালদা থবক তৌবা দোক্তর অমগী ময়ুমদা চঙশিন্দুনা ঈৱাং হৌখিবা থৌদোক্তু পার্টি অসিনা শৌগৎতে। দোক্তর অদুগী মরাল মতিক চানা লৈরবসু রাজ মেসিসিটি হোস্পিটালনা থৌদাং পুগদবনি। মীহাৎপদা চেন্নবা দোক্তর মশামকসু নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা পার্টিদা পাউ হোদোরক্কদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাম বিলাস পসৱান...

লামায় ১গী মখা... লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক অমসুং নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্তা মিনিষ্টর ওইখিবনি। মহাক হার্ট সর্জরি তৌদুনা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা হোস্পিটালাইজ তৌদুনা লৈরক্লবা মতুং ঙসি লৈখিদবনি।

মহাক্কা লৈখিদবা অসিদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট রামনাথ কোভিন্দ, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি পার্টিগী খেন্নবা থমদনা তোঙান-তোঙানবা পার্টিশিংগী লুচিংবা কয়ানসু অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি।

অন্দ্রোগী সঞ্জয়বু এন এস এদা দিটেন...

লামায় ১গী মখা... ক্রিমিনেল পিটিসন অসিগী হিয়রিং দিভিজন বেঞ্চ অসিনা থা অসিগী অমদা পাঙথোকখি। মসিদা পিটিসনগী মায়কৈদা কাউন্সেল পি ঐচ সনাজাওবনা লেপখি। রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট এল সোনোমালা অমসুং এ এস জি এস শুরেশনা লেপখি। লোয়ননা নুমীৎ অদুদা রিজর্ভ তৌদুনা থমখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুনা ঙসি লাউথোকখিবনি।

পুন্না লামায় ১২ পানবা ঙসিগী কোর্টকী ওর্দর অসিনা এল সঞ্জয়বু এন এস এদা দিটেন তৌবগী মরমশিং হায়না ফোঙদোক্লিবনা মহাক য়ু জি গ্রুপ অমগী লিদর অমগী মচানুপা ওইবা, হৌখিবা কুমজা ২০০৯গী সেপ্টেম্বর ১০ দা ৩৪শুবা এ আরনা অতোপ্পা য়ু জি গ্রুপ অমগী মেম্বরনি হায়দুনা ফারুবদগী মহাক্কী মথক্তা য়াইরিপোক পি এসনা কেস এফ আই আর নম্বর- ১০৩(৯)২০০৯ অন্দর সেক্সন - ২০ য়ু এ(পি) এমেন্দমেন্ট এক্ট রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা মখোয়গী কষ্টদিদা থম্বদগী বেলদা থাদোকখিবা, এক্স-এম এল এ টি ঐচ শ্যামকুমারগী ৱর্করশিংবু চৎলিবা কুমজাসিগী মার্চ ৩০ দা ফূ-চৈবা তৌরগা গাড়ী ২ থুগায়খি হায়বা মে ১২, ২০২০ দনা মীওই অমগী লাইফ এটেম্পট তৌরম্মী হায়বগা লোয়ননা গাড়ী ২ অমাঙ-অতা থোকহনখিবগা মরী লৈননা অন্দ্রো পি এসনা লৌখৎখিবা কেস এফ আই আর নম্বর- ১৮ (৩) ২০২০ অমসুং ৩০ (৫) ২০২০ দা চেন্নৈ হায়বসিনি।

অদুবু মহাক অন্দ্রো পি এসনা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফাখি। মখোয়গী কষ্টদিদসু থমখি। অদুম ওইনমক মহাকপু পুলিসনা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা মে২৩, ২০২০দা পুথোরকপদা কোর্টনা বেলদা থাদোকখিবনি। অদুম ওইনমক মহাক পুলিসনা কোর্ট কমপ্লেক্সতগী ফাজিল্লগা নুংথিলগী পুং ৩ রোম তারকপদা এন এস এদা দিটেন তৌরে হায়দুনা নুমীৎতুদগী জেলদা থল্লকখিবনি।

অদুম ওইনমক দিভিজন বেঞ্চ অসিগী জজমেন্ট অসিদা কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ২২ (৫)গী মতুংইন্না কনাগুম্বা মীওই অমবু লো অমগী মখাদা দিটেন তৌরবদি য়ারিবমখৈ থুনা মীওই অদুদা মহাকপু লো অদুগী মখাদা দিটেন তৌবগী গ্রাউন্দশিং খঙহনগদবনি হায়বসিনি।

অদুবু হায়রিবসি ওথোরিটিগী মায়কৈদগী থবক ওইনা পাঙথোকখিদবনা মহাকপু এন এস এদা দিটেন তৌবগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট/ইম্ফাল ইষ্ট ডা. রঙ্গিতাবলি ৱাইখোমগী ওর্দর অদু ক্বাশ তৌদুনা চৎনহন্দ্রে। লোয়ননা মহাকপু অতোপ্পা কেসশিংদা মহাক্কী তঙাইফদবা লৈত্রবদি থাদোকখিনবা ওর্দরসু পীখি।

ঐচ বি ৱাই সী সীনা লম্বী শেমজিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস) :

হিংমিন্নসি অমদি হিংমিন্নসি হায়বা পান্দমদা হৈরোক ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী মখাদা হৈরোক ব্লোক য়ুথ কোংগ্রেসনা লেপ্তুনা চঙশিল্লকপা থবক্কী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হৈরোক এ সীগী শরুক অমা ওইরিবা শালুংফম অমদি উখোংসাং ভিলেজ অনী ফাওনদুনা চৎনরিবা এম দি আর (মেজর দিষ্ট্রিক্ট রোদ)গী শরুক অমা ওইরিবা কসোম খুল্লেন তাবা লম্বীগী রুট অসি ঙসি ঐচ বি ৱাই সী সীগী মেম্বর ২০০ রোম্না মশা-মশাগী অরৈবা শেল অমদি খুৎলাই পুথোক্লদুনা লম্বী অসি শেমজিনখ্রে।

ঙসি লম্বী শেমজিনখিবা অদুদা লৈবাক চিংনবা হায়ব্রা গাড়ি ৯, লৈবাক কোৎনবা জে সী বি ৪, লৈবাক তেমথোক্লবা ট্রেক্টর ৫ শীজিন্নদুনা থৌমী ২০০ না মতেং পাংবিদুনা ফিভম কায়রবা লম্বীগী পোটহোলশিং মেনবা অমদি লেভেলিং ফজনা তৌবিদুনা লৌরোক থা নংনবা লম্বী অসি শেমজিনবনি হায়রি।

হৈরোক ব্লোক য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটি (ঐচ বি ৱাই সী সী)গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি কে ঐচ ইনাওচানা হায়খিবদা শালুংফমদগী উখোংসাং ফাওবগী লম্বী অসি লৌরোক থা লাকপগা ইরোয়ননা অচঙবা শেল, গাড়ি অমদি খুৎশু-খুৎলায় পুথোক্কদুনা লম্বী অসি শেমখিবনি হায়রদুনা হৈরোক এ সীগী হান্নগী মিনিষ্টর হৌজিক-হৌজিক্কা এ সী অসিগী এম এল এ ডা. টি ঐচ রাধেশ্যামনা প্রেস মেদিয়াগী খুথাংদা ইলেক্সন ময়াদা হৈরোক এ সীগী লম্বী শেমগনি হায়খিবদু হৌজিক ইলেক্সন ময়া য়ৌদ্রিব্রা হায়না হংলদুনা ভোট মনুংদা শেম্বীগদৌরিব্রা হায়না হংখি। করম্বা মতমদা লম্বী শেম্বীগনি হায়রদুনা এম এল এ টি ঐচ রাধেশ্যামগী পুক্রিং চিংশিল্লকখি।

নীংশিবা য়াবদি হৈরোক এ সীগী এম এল এ টি ঐচ রাধেশ্যামনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতমদা এ সী অসিগী লম্বীশিং ইলেক্সন ময়াদা লম্বী শেমগনি, ইলেক্সন ৱাৎলিঙৈদা লম্বী শেমলুরগদি ভোটতা কাওখিগনি হায়দুনা মেদিয়াগী মমাংদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

শেন্দোই-শেলেপ খোম্বা লেপ্পীয়ু

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ (ঐচ এন এস) :

হৌজিক-হৌজিমক মণিপুরদা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্না মরম ওইদুনা ককচিং পোপ্যুলর স্পোটিং ক্লব (কে পি এস সী)না কোনবা মফমশিংদা লৈরিবা মীয়াম্না মপুং ফানা শেন্থোক-লম্বী লৈতবনা অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। লোকদাউন হাংলবসু শেল-থোকপা লল্লোন-ইতিক অমদি ফার্মশিংদা থবক শুবা য়াদবনা ইমুং-মনুংশিংদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। মরম অদুনা ঙসিদগী কে পি এস সীনা কোনবা মফমদগী মীয়ামদা চয়োলগী, থাগী শেন্দোই-শেলেপ খোম্বা লায়রবা মীয়ামবু নুংশিবীদুনা অমদি কোভিদ-১৯গী অৱাবসি উবিদুনা লাক্লিবা দিসেম্বর থা ফাওবদং লেপ্পীয়ু হায়না কেপি এস সীগী সেক্রেটরি পি অভিনাসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, অরাপতি মনীং লৈকাই য়ুঠ দিভ্লপমেন্ট এসোসিএসন (এ এম এল ৱাই দি এ)না কোনবা মফমশিংদা লোটরি তৌরিবা অমদি মাইক্রো ফাইনান্সতগী শেন্থং লৌরুবগী কলেক্সন তৌবিরিবা মরুপ-মপাংশিংনা মতম খরা লেপ্পীয়ু হায়না এ এম এল ৱাই দি এগী জেনরেল সেক্রেটরি খোমদ্রাম সুবোননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, লৈকাই অসি নোংম-নোংমগী শুর-নোল্লগা ফংলকপা শেল খরনা হিংবা মীনা অয়াম্বা ওইবা অমদি মতম কুইনা মমাংদা লোকদাউন লৈরুবা, হৌজিক-হৌজিকসু কোভিদ পোজিটিভ ওইবা লৈবনা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখিবা অসিগুম্বা মরমশিং অসি লৈখিবনা লৈকাই অসিগী অৱাবা য়েংবিরগা শেন্দোই-শেলেপ খোমগৎপা অমদি লোটরি তৌবা লেপ্পীয়ু হায়জবনি। মরুপকী এজেন্টশিং অমদি মাইক্রো ফাইনান্সকী ইচিন-ইনাওশিংনা থেংনরিবা অৱাবা অদুসু ঐখোয়না খঙদবা নত্তে। মরম অদুনা ঐখোয়নসু অথুবা মতমদা য়ানবা হোৎনজগে হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

হরাওথেল খুনবু কাংপোকপী...

লামায় ১গী মখা... সেঞ্জম চিরাংদা লম্বী থিংলিঙৈদা ত্রাইবেল মানবা পুলিস ওফিসর অমা গাড়ীদা লাক্লগা য়াম্না ফজদবা ৱাহৈ শীজিন্নদুনা চৈ থাংদুনা ঙাংলম্বা অদুবু লম্বী থিংবা য়াওরিবা নুপী অমনা পেন্দবা ফোঙদোরকখি।

নুমীদাংৱাইরম পুং ৫.৩০ রোম তাবদা সেঞ্জম চিরাং, খুরখুল লমখায় য়াওনা লম্বী থিংনা থিংনা সেকমাই কৈথেলদা মীয়াম্না নেসনল হায়ৱে নম্বর টু থিংদুনা লম্বীদা লাকপা গাড়ী অমত্তা চৎহন্দনা থিংদুনা থমখি। অথেংবা ফাওবা লম্বী অসিদা লাকপা গাড়ীশিং অমত্তা চৎহন্দনা থমখি হায়রি। হরাওথেলদা নৌনা খুন্দারক্লিবা অসি লৈঙাক্লা তকথোকপা হান্না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ওইরম্বা মফম অসি নৌনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা পুন্নবা হোৎনরিবা অসি হন্দোক্ত্রিবা ফাওবা মখা তানা অকনবা খোঙজং চত্থখিগনি হায়না খুঞ্জাশিংনা পেন্দবা ফোঙদোরকখি।

‘রিজনল পোলিটিকেল ফোর্স অমগী তঙাইফদবা লৈরক্লি’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৮ : ইরমদম কংলৈপাক (মণিপুর) অসিদা হিংলিবা লৈত-লায়রবা লৌমী-শিন্মীশিংগী হিংনবগী পাম্বৈ লৈরক্ত্রবা তানফম অসিদা ইশাগী ওইবা মতিং লৈবা রিজনেল পোলিটিকেল ফোর্স অমদি মথৌ তারক্লি। হৌজিক্কী লৈরিবা ইরমদম অসিগী লোয়বা নাইররোইদবা ইশ্যু কয়াসি ৱাখৈনবা হোৎনবদা নেসনল পোলিটিকেল পার্টি কয়ানা খুৱৌ থাংহন্দুনা লাক্লে হায়না কে সী পি পিপলস ৱার গ্রুপ (মার্ক্সিষ্ট সেন্টর)গী সেন্ট্রেল মেদিয়া কো-ওর্দিনেটর সেক্রেটরি কমরেদ লেনিন মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, ইরমদম অসিদা থোক্লিবা ইশ্যু কয়াসিবু ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা নেসনল পোলিটিকেল লিদরশিংগী অয়াবা ঙাইদুনা লৈবা অসি তশেংনা ইরৈপাক অসিগী লৈত-লায়রশিংগী খন্দ্রে হায়বা তাকপনি। অসিগুম্বা কয়া অসিনা ঐখোয়গী ইরমদম অসিদা থোক্লিবা ইশ্যুশিং মতম চানা লোইশিনবা ঙমদবনি। লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী লুচিংবনি হায়জরিবশিংসু মাগী-মাগী চৌক্রি মখোঙ তেক্তনবা খক্তা হোৎনদুনা লৈরি হায়বা অসি মীয়াম্না হেন্না খঙলবা ৱাফম্নি। অসিগুম্বা মীয়ামগী লুচিংবশিংনি হায়জরিবশিং অসিনা ইরমদম অসিবু নুংশিরম্বদি য়াই অদুবু নিও-ইম্পেরিএলস ইন্দিয়াগী ওইবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মখোং কোল্লুবদগী ঙসি ঐখোয়গী লমদম অসি হেন্না হেন্না লৈখা তারক্লবগী মরম অমসু ওইরিবনি। তানফম অসিদা লমদম অসিগী খ্বাইদগী লিরবা পোলিটিকেল পার্টি এম পি পিগী ওইরিবা মওং মতৌ অসি নীংবা কায়নিংঙাইনি। লৈপাক্কী লুরবা তানফম অসিদা রিজনেল পোলিটিকেল ফোর্সশিংবু মুথুৎনবা হোৎনরিবা লুচিংবা শাবশিংবু মরু ফুক্না মাঙহনবগী ফিরেপ অদু লৌরক্লগনি।

নাকল অমরোমদা হৌজিক ওইরিবা মালেম পুম্বগী কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসি লৈনা-লৈনা লুরবা তানফম অসিদা বাই ইলেক্সন তৌগনি হায়না লাউথোরক্লিবা ফিরেপ অসিবু মীয়ামগী খনবা লুচিংবশিংনি হায়গদৌরিব্রা? মীয়ামগী করিসু খন্দনা হঙোই অমগী মতৌগুম চোংথোক-চোংশিন তৌদুনা মশাগী এম এল এ ফমদগী রিজাইন তৌখ্রবশিংবু অমুক হন্না মীরেপ ওইনবা থোক্লকপদা লৈবাক মীয়াম্না শৌগৎনবগী মরম লৈব্রা হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

লুপা লাখ মরিরোম চঙনা লায়েংলবসু কোভিদ-১৯...

লামায় ১গী মখা... ফংদবদগী য়ূমগী মীওইশিংনা পি পি শেৎলবসু অহল অদুগা অমুক্তং উনগে হায়রবসু থোইদোকপা উনবগী মথৌ তাদে, নর্সশিংনা য়াম্না কুপ্না শেন্নরি। দোক্টরশিংগা অদুমক ৱারী শান্নরি হায়না ফোঙদোরকপদগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনসু ফরবোই অদুমক খনখি। নুমীৎ খরনি উনবা ফংলক্তবদুদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা উনবা পাম্বদগী অমুক হন্না কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবিয়ু হায়বগী মতুংইন্না কোভিদ টেষ্ট অমুক হন্না তৌখি। মদুদা অহল অদু নেগেটিভ ওইরে হায়বগী রিজল্ট লাকখি। দোক্টরশিংনা নেগেটিভসু ওইরে, পাখৎনিংঙাই ওইদ্রে হায়না ফোঙদোরকপদগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা হরাউনখি। লোয়ননা ইমুং-মনুংশিংগী মীওইশিংনা হকচাংসু কা হেন্না শোকচিনবা লৈতে অমদি কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইরবনিনা আই সী য়ু নত্তবা অচম্বা কা অমদা থম্বিয়ু হায়রুবদগী মী মঙা-তরুক লৈবা কা অমদা থমখি। অদুবু কা অদুদা লৈরিবা মীওইশিং অদু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই অমদি নেগেটিভ ওইবা মীওইশিংলা হায়বদুসু খঙহনখিবা লৈখিদে।

কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইরবনিনা ইমুং-মনুংগা উনবা য়ানবা কা অমদা থম্বিরো হায়রুবদা দোক্টরশিংগা তান্নরগা পাউ পীরক্লগে ঙাইহাক্তং ঙাইবিয়ু হায়না মখাদা লৈরিঙৈদা পুংখায় ফাদ্রিঙৈ মনুংদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং অমত্তং কাখৎপীরো হায়রকপদগী হরাওনা কাখৎলুবা মতমদা দোক্টরশিংনা য়াম্না কন্না লায়কন্নরম্বা উরকখি। দোক্টর অমা থোরক্তুনা অহল অসিগী কনি দসন লুরে হায়রল্লগা চঙখিরম্মি। মীকুপ খরা লৈরগা দোক্টর অমগা অমুক থোক্লক্তুনা কনবা ঙল্লরোই হায়বগী মওংদা হায়রকখি। ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা চঙশিন্দুনা য়েংলুবদা অহল অদু শ্বর হোনবা লেপ্পল্লে। লোয়ননা খ্বাংদগীনা মখোং ফাওবা পুমইং ইংথনা লৈরম্লে। থৌওং অদু অহল অসি নুমীৎ খরনী নৎত্রগা পুং খরগী মমাংদগী অদুমক লৈখিদবা মাল্লি। ইমুং-মনুংনা খ্বাইদগী নুংঙাইতবা ৱাফমদি করিগুম্বা দোক্টরশিংনা অহল অসি য়াররোই খঙলবদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা কনবা ঙল্লরোই হায়বিরল্লবদি অতোপ্পা মফমশিংদা পুদুনা নৎত্রগা য়ূমদা পুথদুনা অহল অদুগা উনদুনা ইমুং-মনুংনা ঙমজবা থৌগল খরদি তৌরম্বা য়াই। ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা পেন্দবদি দোক্টরশিংনা নেগেটিভ ওইরে হায়রবসু পোজিটিভ ওইবা পেসেন্ট অমগুম্না অসুমক লায়েংবিখিবা লোয়ননা হকচাং থোইনা শোক্তে হায়না ইমুং-মনুংশিংদা হায়দুনা অদুমক থম্বিরগা অরোইবদা য়াররোই খঙলবা মতমদা ইমুং-মনুংদা খঙহনবিরকপা অসিনি। লোয়ননা কোভিদ-১৯ টেষ্টকী রিজল্ট খেন্ননা ফংবা অমদি শুপ্পগী নুমীৎ খরনীগী মতুংদা আই সী য়ুদা লৈরিবা অহল ওইরবা চহী ৭৫ রোম শুরবা শোল্লবা পেসেন্ট অদু অমুক মতৌ করম্না নেগেটিভ ওইরক্লিবনো হায়বসি চিংননিংঙাই ওই হায়না ফোঙদোরকখি।

লৈখিদ্রবা মতুংদসু হোস্পিটালগী মায়কৈদগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরল্লবসু নেগেটিভ ওইখ্রবনি হায়বগী দিষ্ট্রিক্ট কোভিদ-১৯ সর্ভিলেন্স টিমদা পাউ পীবিরমদবনা চয়েৎনবা কয়া অমা লৈদুনা লৈখিদ্রবগী হকচাং কন্নানা পুগদবনো হায়বনচিংবা খঙনদবগী থৌদোক থোকখি। হোস্পিটালগী মীওইশিংনদি ইচম-চম্না শিবা মীওই অমগুম্না অদুমক য়ূমদা পুথনবা হায়রকখি। অদুবু হকচাং অদু মখোং মরি পানবা গাড়ি মচাদা পুৱা চন্দবা মরমনা প্রাইভেট এম্বুলেন্স অমা ৱাইদুনা পুনবা হোৎনবদা এম্বুলেন্সকী মীওইশিংনা দেথ সার্টিফিকেটতা পোজিটিভ ওইরম্লগা তোঙান-তোঙানবা হকচাংগী কয়াৎ কয়া ফেল ওইরকপদগী লৈখিদবনি হায়বনচিংবা ইরম্বনা পুৱা ঙল্লরোই হায়বগী ৱাফম ফাওবা থোরকখি অদুবু য়ূমগী মীওইশিংনা শুপ্পগী য়ুম ফাওবা থিনবিরম্মো, এম্বুলেন্সতা হাপকৎপা অমদি থাংদবগী থবক য়ূমগী মীওইশিংনা তৌগনি হায়বদগী অতোপ্পা অচৌবা এম্বুলেন্স অমদা য়ূম তান্না পুরকখি।

অসিগুম্বা থৌওং অসি অতোপ্পা মীওইশিংদা মখা তানা থোক্তনবা মরী লৈনবশিংনা য়েংশিনহন্নিংঈ। মরমদি অনা-লায়েংবা হেক হৌরকপদগী লৈখিদ্রবা ফাওবগী মরক্তা পেসেন্ট অদু করিনা নাবনো, হকচাংগী ফীভমনা কৈ অদুমক ইমুং-মনুংশিংদা হায়বিদুনা লোৎশিনবগী থৌওং অমদি কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবগী রিজল্ট খেন্ননা ফংবগা লোয়ননা শেল কয়া অমা চঙহনবগী থৌওং পেন্দে। লায়েংবা ঙল্লরোইদবা ওইরবদি পুকচেল শেংনা অদুমক ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা হায়বিবা য়াই। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা লৈত-লায়রবা মীওইশিংদা ৱাহনবত্তা নত্তনা মীয়াম্না দোক্টরশিংদা থাজনরিবশিং অসিদা অচৌবা ৱাহং অমা লাক্কনি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

প্রিপাক্কী ৪৩শুবা মপোক কুমওন লাকপদা য়াইফ পাউজেল...

লামায় ১গী মখা... নেসনেলিটি কয়াবু বৃটিশ লোয়লম লৈঙাক্না ইনিদয়াগী লৈঙাক্তা লৌনম চাওবা মাউন্টবেট্টনগী থৌইনশিন্না শীন্নরম্বদগী, য়ানদবা, কন্ট্রাদিক্সন কয়া ঙসিসু ঐখোয়না উরিবনি। বৃটিশ লোয়লম লৈঙাক্কী লোইশিলহৌদবা এজেন্দা অদুমক ইন্দিয়াগী খুবাক্তা শীন্নরম্বা হায়বদুমক্লি। কন্ট্রাদিক্সন অসিবু নৈনরকপদা, ইন্দিয়াগী কোলোনিএল পাৱরনা পীরিবা ৱাহন্থোক্তুগা, নমথবীরবা নেসনশিংগা মশানা পীজরিবা ৱাহন্থোক্কা তাইশিন্নবা য়াদবগী অকনবা মরম লৈ। কোলোনিএল রুলিং ক্লাসনা, মখোয়না মতিক-মঙম শীজিন্নদুনা নমথবীখ্রবা পুৱারীগী নেসন মচা কয়ামরুমগী নেসনল রাইট, নেসনল ক্বেসনবু কাওথোক্লগা, ফৈরেংননা ইকোনোমিক ক্বেসন খক্তনি হায়না পুথোক্লগা নম্ফুগী ৱাহন্থোক পীরি। নম্ফুগী ৱাহন্থোক অসিবু লোয়লম শনেদাকপদা লোয়লমগী ইলাইট (অখণ্ড-অহে)না য়াবীবগী সিল (সিল ওফ লেজিটিমেসি) নমশিনবদগী নমথবীরবা নেসনশিংগী ঙাকথোক্লবা, ফোঙদোক্লবা লম্বী থিংজিল্লি। মথক্তা পনখ্রিবা নেসনল কন্ট্রাদিক্সন অসি মপুং ফানা লৈতাহনবা ঙমদ্রি, অকনবা মওংদা উংখৎনরিঙৈ মতমসিবু করম্না মশক তাক্কনি। কন্ট্রাদিক্সন অসিবু লোয়লম লৈঙাক্না নেসনল ক্বেসন ওইনা অহানবদা শক খঙবা তাই। মথংদা দিকোলোনাইজেসন প্রোসেস ওইনা মালেমদা তৌনবগুম্না কুইনগী ওইনা লৈতাহনবা চঙই।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, নেসনল কন্ট্রাদিক্সন অসি কুমজা ১৯৪৭ দা ইন্দিয়া শেমখিবা মীকুপ্তুদগী থোকই। ঙসি ফাওবা তাশিন্নদ্রি। মদুদগী হেন্দোক্তুনা কন্ট্রাদিক্সন থোক্লিবা, ৱেসিয়াগী মফমদা নেসনল কন্ট্রাদিক্সন থোক্তবা মফমদুসু অচৌবা শেল-থুমগী উংখৎনবা/কন্ট্রাদিক্সন থোক্তুনা ইন্দিয়াগী মীশিং ক্রোর ১৩৫ গী মনুংদা ক্রোর ৮০দি ফিজেৎ-ফিগাই শেৎপা, চরাম-চদৎনবা, মবুক হামচৎনবা, চরা নাম্মাখক চাবা, লায়না চেল্লবা অমসুং য়ুমথক য়াওদ্রবা মীওইশিংনি। হায়রিবা চরাম চদৎনরবা মীওই ক্রোর ৮০সিগী নীংতম্বদি, ইন্দিয়াগী নীংতম্বা হায়বা ৱাহৈসিদা য়াওদে। নেসনল ক্বেসন লৈতবা ইন্দিয়াগী মফমদা ইকোনোমিক রেভল্যুসন অমা ঙাইরি। নেসনল কন্ট্রাদিক্সন থোক্তুনা চহী ৭০ হেন্না নেসনল রাইট ফংজদ্রবা কাঙলুপকী নীংতম্বগী মঙলানগা, ইন্দিয়ন ইম্পরিএলিষ্টকী পাৱর পায়রিবশিংনা পুথোরক্লিবা নীংতম্বগী দিফিনিসনগা তাইশিন্নফম থিবদা ৱাগনি। ইন্দিয়ন ইম্পরিএলিজমগী রুলিং ক্লাসশিং নীংতল্লে হায়বদা য়েৎনফম লৈত্রগসু, শেল-থুমগী নীংতম্বা ফংজদ্রিবা চরাম-চদৎনরবা ইন্দিয়াগী মীওই ক্রোর ৮০দি মনিংতম্বা কয়াদুগী অশেংবা মশক লাকশিনবা ঙমদ্রি। লোয়লম ওইনা, নম্ফুদা লৌশিনখিদুনা পুৱারী ওইনা থম্বীরিবা কংলৈপাক্লা, ইন্দিয়াগী কোলোনিএলিজমগী মতিক-মঙম পায়রিবা ক্লাসকী নীংতম্বদুবু, মখোয়গী নীংতম্বনি হায়না লৌশিনবা ওইথোক্তে। কংলৈচা নহা ১০ খূদিংগী মতুংদা লমলৌ লান্নী, পুলিস, ইন্টল্লিজেন্স অমমম শেন্নহল্লগা নীংতল্লে হায়বসি থাজবা ৱাগনি। অদুবু হিংচাবা, চুরাম্থাবগী লৈবাক্তা নীংতম্বা লৈ হায়না লাউবীনবা স্কোলার, রাইটর, দিগ্রী পায়বা, ইলেক্ট্রোনিক অমসুং প্রিন্ট মীদিয়া মরাং কায়না লৈ।

মথং মথং...

নম্ফুদা শেমখিবা লৈঙাক ওইবনা...

লামায় ১গী মখা... ব্রোজেনবু অমুক হন্না থাগৎলমগুমসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা সী এল পি লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা হায়খি, মীয়ামগী ইহুল ঈকায় খুম্নদবা মীওইশিং লাক্লিবা মীখল অসিদা পারা তম্বীবা মতম ওইরে। আই এন সীদগী কাখ্রগা বি জে পিদা সপোর্ট তৌখ্রবা পাউনম ব্রোজেননা ঙসি ফাওবদা ফুন্দ্রে অমদি লাঙথেল খুনগী মীয়ামগী য়াইফননবা করি করম্বা স্কিম পায়খৎখ্রবগে। মীয়াম্বু অপংবা শীবা, মশাগী ওইজবা থিবা মীওইশিংবু মশক খঙদোকপীয়ু। পাউনম ব্রোজেনন তৌরিবা হায়ববু চেঙ য়েনবদা বি জে পি য়াওবা মীওইশিংবুনা চেঙ কেজি ১০/১০ য়েল্লগা কোংগ্রেস অমসুং অতোপ্পা পার্টিশিংদা য়াওবা মীওইশিংবুনা চেঙ কেজি ৫/৫ খক য়েন্দুনা পুকচাক্তা রাজনিতি তৌবা অসি মঙাইরে। হৌজিক্কা অমুক বি জে পিগী ফিরাল য়ুংননবা চমজরবা ইমুং কয়াদা নমদুনা খুৎয়েক পীহনবা, শেল পীবা অসিগুম্বা নমথাক্কী থবকশিং অসি চথুরি। চোংথোক-চোংশিন তৌবদা ঈকায়দবশিং অসিনা লৈঙাক পায়রবদি লৈবাক কাং-খোং চাইগনি। মখোয়বু মীয়াম্না পারা তম্বীরসি। চোংথোক-চোংশিন্দা পূক্রিং থৌগৎলিবা বি জে পিদা মীয়াম্না শৌগৎপীগনু হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা ৱাংজিং-তেন্থা এ সীদগী মীরেপ ওইগদৌরিবা মোইরাংথেম হেমন্তনা হায়খি, মীয়াম্বু অপংবনি খন্দুনা ওইদবা কয়া হায়জিল্লগা শেলনা লৈগনি খল্লিবা মীওইশিংদগী মীয়াম্না চেকশিনবীয়ু। মুস্লিম ফুরুপকী মায়োক্তা করম্বা পার্টিনা করি করম্বা থৌওংশিং চথৈ হায়বদু খঙমিন্নদুনা অদুগুম্বা পার্টি অদুদগী লাপ্পা লৈমিন্নসি। ফুন্দ্রেগী চাউখৎ-থৌরাং কয়া অতোপ্পা মফমদা পুথোকখিবশিং মীয়াম্না পারা তম্বীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম ওকেন্দ্রো, এম এল এ কে মেঘচন্দ্র, এম এল এ ফজুর রহিম, এম এল এ ও সুর্য্যকুমার অমদি কোংগ্রেস লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

মীওই ৩ লৈখিদ্রে, পুন্না ৮৩...

লামায় ১গী মখা... ফোঙদোরক্লি। অমরোমদা, জেনিমসকী ভি আর দি এলদা আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌবদা দি জি পি এল এম খৌতে কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়বা ঙসি খঙবা ঙমখিবনি। জেনিমসকী মেদিকেল সুপরিনটন্দেন্ট (এম এস) ডা. টি রাজেন অমসুং মহাক্কী লোয়নবীসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়রি।

কো-একুাইজ ৩গী বেল হিয়রিং...

*লামায় ১গী মখা...*এপ্লিকেসনশিং স্পেসল জজ (পোক্সো), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা খন্ননবগীদমক থেঞ্জাং অনীরক্তা লিষ্ট তৌখ্রবনি। অদুবু পুলিসকী ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসরগী মায়কৈদগী বেল ওবজেক্সন রিপোর্ট পীরক্তবদগী য়ৈথোক্তুনা লাকখিবনি।

ঙসি কোর্টনা বেল এপ্লিকেসন ৩মক খন্ননবগীদমক লিষ্ট তৌবদা পুলিসকী মায়কৈদগী মখোয়গী রিপোর্টতি পীরকখি। অদুবু ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা হিয়রিং চথনবা থৌরাং তৌবদা খুদোংচাদবগা লোয়ননা বেল এপ্লিকান্ট অমগী মায়কৈদা লেপকদবা কাউন্সেলসু লাক্তবদগী হিয়রিংশিং অসি থা অসিগী ১৫ দা পাঙথোক্লবা মতম লেপখিবনি।

পনবা য়াবদি, থৌদোকসিগী মতাংদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱিমেন পুলিস ষ্টেসন্না কেস এফ আই আর নম্বর- ২৮ (৯) ২০২০ অন্দর সেক্সন- ৬ পোক্সো এক্ট, ২০১২ অমসুং ৩০৭/৩২৫/৩০২/১২০-বি/৩৪ আই পি সী রেজিষ্টর তৌদুনা ইনভেষ্টিগেসন চথরক্লিবনি।

Every pregnant women should get tested for HIV during the first 3 months of pregnancy to prevent HIV transmission to their child.
HIV test is available free of cost at Integrated Counseling & Testing Centre (ICTC) at all govt health facility & nursing homes.
For more information call AIDS helpline no
1097
MACS
NACO
HL/B/6425/1 to 29 Oct. alt.